সম্মেলন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) :

এন ঐচ পি সী লিমিটেদনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ গী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ১ তাবা ফাওবা বিষ্ণুপুর মিনি সেক্রেটরিয়েটকী হোলদা সবকা সাথ সবকা ভিকাস সম্মেলন পাঙথোক্লগনি হায়না এন ঐচ পি সী লিমিটেদকী মেনেজর (ঐচ আর) রাজেস কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা পি দব্লিউ দি, পাৱর, রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ, কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি। হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর থৌনাওজম চাওবনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি। নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এক্স চেয়রপর্সন আর কে বিমোলা দেবীসু থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি।

মিং চন্নবা এন্ট্রান্স…

লামায় ১গী মখা… হায়র সেকেন্দরি স্কুল, মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল, চুড়াচান্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, রাম লাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুল, জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ইবোতোনসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুল, তম্ফাসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ককচীং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ৱাঙ্গোই হায়র সেকেন্দরি স্কুল, মোইরাং মল্টি পর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, তমেংলোং অমসুং জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংনি। স্কুলশিং অসিদা আর্টস ষ্ট্রিমগী ওইনা পুন্না মহৈরোয় ২৫৬০, সাইন্স ষ্ট্রিমগী ওইনা ২৮৫০ অমসুং কমর্স ষ্ট্রিমগী ওইনা ৮৮০ লৌগনি হায়রি। কমন এদমিসন ফোর্ম ওনলাইনদগী লেম্মা ফংগনি। মহৈরোয়শিংনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসল ৱেবসাইটতগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি হায়রি। এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিনবদা জেনরেল অমসুং ও বি সীগীনা লুপা ২০০ অমসুং এস টি/এস সীগীনা লুপা ১০০ লৌগনি হায়রি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ১৩ ওইগনি হায়রি।

শাশিন্নবা লাইসেন্সকা মরী লৈননা …

লামায় ১গী মখা… অমদি থাঙ্গাল বজারদা লৈবা এস/এল গঙ্গাৱাল এন্দ কো (চার্টর একাউন্ট ওফিস) নচিংবনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০১২ দা এসোসিএসন ফোর এক্সন দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা প্রোজেক্ট অমা শারগা মিনিষ্ট্রি ওফ ফুদ প্রোসেসিং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদগী লুপা ১৮,৪৯,২৯,০০০/- রোম লৌথোকখিবনি। অদুবু থবক অসি নীংথিনা লোইশিন্দনা থম্লম্বদগী মণিপুর লৈঙাক্লা থবক অদুগী মতাংদা থিজিল্লকখিবনি হায়রি।

GAS TODAY

KHORIPHABA GAS, NAMBOL
Booking Upto:20/03/2017
Valid From:10/03/2017
Stk :306 (CTC)
Timing: 07:00am - 09:00am

LAMBODARA INDANE SERVICE
Booking Upto:10/04/2017
Valid From:06/04/2017
Stk :306
Timing: 07:30am - 10:00am

MM GAS SERVICE
Booking Upto:28/03/2017
Valid From:25/03/2017
Stk :306 (DBTL Only)
Timing: 07:00am - 10:00am

MAHALAXMI INDANE GAS
Booking Upto:07/03/2017
Valid From:22/02/2017
Stk :306 (DBTL Consumers Only)
Timing: 07:00am - 10:00am

MAIBIA GAS, MOIRANG
SL.NO.: 5276 TO 5700
Booking Upto:20/03/2017
Valid From:20/03/2017
Stk :306
Timing: 07:00am - 11:00am

R&H IRILBUNG
Booking Upto:06/03/2017
Valid From:23/02/2017
Stk :612
Timing: 08:00am - 11:00am

YAIRIPOK GAS SERVICE
SL.NO.: 17670
Booking Upto:23/03/2017
Valid From:10/03/2017
Stk :306
Timing: 07:00am - 10:00am

HIYANGTHANG INDANE
SL.NO.: 3420
Booking Upto:08/04/2017
Valid From:05/04/2017
Stk :306 (CTC Only), Rs.718/-
Timing: 07:00am - 10:00am

KHURKHUL HEIKHAM INDANE GRAMIN VITRAK
Booking Upto:05/04/2017
Valid From:01/04/2017
Stk :280
Timing: 08:00am - 12:00noon

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:29/03/2017
Valid From:18/03/2017
Stk : 306
Timing: 07:30am - 11:00am

সঙাই কনবদা খুঞ্জাশিংগী থৌদাং চাওই: শ্যামকুমার

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) :

সঙাই কনবগী থবক্তা খুঞ্জাশিংগী থৌদাং চাওই হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ঙরাং ফৌওইবী লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোল, আই সী সী এল গ্রাউন্দ দ কৈবুল লমজাওদা ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা কঞ্জর্ব ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ সেব সঙাই- দ প্রাইদ ওফ মণিপুর হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমদি উ থাবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, সঙাই কন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনরকপদা থাঙ্গ এ সীগী মীয়াম্না মতেং পাঙদুনা মরুওইবা থৌদাং কয়া লৌবা চঙই। লৈঙাক অমদি অকোয়বগী খুঞ্জাশিং পুন্না হোৎনমিন্নরবা মতমদা সঙাই কনবগী তার্গেট অসি ফঙবা ঙমগনি।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা থাঙ্গ এ সীগী মীয়ামগী য়াইফন্নবগীদমক খন্ন নৈনবা লৈখ্রে। থাঙ্গ এ সীগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি অফবা থক্কবা ঈশিং ফঙদবগী ৱাকৎনচিংবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা রিপোর্ট অমা থমগনি। সঙাইগী মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনবা তঙায়ফদে। উ চারাশিং থাসি। তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা ঐখোয় পুন্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনবা তঙায়ফদে। ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবগীদমক উ থাবা অমদি য়োকখৎপগী থবক্তা তঙায়ফদবা তেঙবাংশিং পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা প্লানিং এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি পি দি এগী চেয়রমেন ওইরিবা থাঙ্গ এ সীগী এম এল এ টি রোবিন্দ্রোনা হায়খি, মালেমগী ওইনা অইং অশাগী চাং হোংলক্লিবা কয়া অসিদা ঐখোয় পুন্নমক্না খন্নমিন্নবা চঙই। দিল্লিদা শাবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংলি। মহৌশাগী অকোয়বগী ফিভম অসি ঐখোয়না ঙাকহৌদ্রবদি অৱাবা ফিভম লাক্কনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট এজেন্সীগী ভাইস চেয়রমেন এম অশ্বিনিকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লোক্তাক হায়ড্রো প্রোজেক্টকী ইথাই বারাজ শারকপা অসিনা কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্ককী ইকো সিষ্টেমদা অকায়বা পীরক্লি। মচি লোংবা সঙাই হায়না খঙনবা শা মখল অসিগী লৈফম ওইরিবা নেসনেল পার্ক অসিদা অকায়বা কয়া পীরি। সঙাই কন্নবগীদমক লৈঙাক অমদি ঐখোয়না পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্ক বিয়ু পোইন্ট বিল্ডিং শঙ্গারমখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা উ চারাশিংসু থাখি। থৌরম অদুদা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জর্বেসন ফোরেষ্ট এন্দ এচ ও এফ এফ, কে অঙ্গামি অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

মিনিষ্টর কাইসীনা কালিখোলা ভিলেজগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) :

ট্রাইবেল এফ্যের্স এন্দ হিলসকী মিনিষ্টরসু ওইরিবা তদুবী এ সীগী এম এল এ, এন কাইসীনা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তদুবী এ সীগী কালিখোলা ভিলেজগী লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা লৈক্রক চৎলবা চীংগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

মিনিষ্টর কাইসীগী খোঙচৎ অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর, কাংপোকপী টি রঞ্জিৎ অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রাইবেল এফ্যের্স এন্দ হিলসকী জোইন্ট দিরেক্টর কাইখোমাওসু লোয়নখি। টিম অদুনা হন্দক্তা কাইখো ভিলেজদা লেন্দস্লাইদ থোকপা অমদি লৈবাক চেকখায়রকপদগী অমাঙ-অতা থোক্লবা মফমশিং অদু য়েংশিনখি। মতুংদা তোরিবারিদা লৈবা গোমা দেবী হায় স্কুলদা হাংলিবা টেম্পরেরি রিলিফ কেম্প অদুদা চৎতুনা য়েংশিনখি।

মফম অদুগী খুদোংথীবা নংলবা মীওইশিং অদুগী অৱাবা শরুক য়ারদুনা এন কাইসীনা হায়খি, মহাক্কী কন্সটিট্যুএন্সিগী অরিবা খুঙ্গং অমা ওইরিবা কালিখোলা ভিলেজদা মহৌশাগী খুৎশেম্না অমাঙ-অতা থোকহনবগী পাউ তাবদা নুংঙাইতবা পোকখি। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা কাংপোকপী দি সীনা অথুবা মতমদা রিপোর্ট অমা থাগৎতুনা চীফ মিনিষ্টরগা তানদুনা খুঞ্জাশিং খুন্দা-লৈতাহন্নবা খন্নগনি। কাইসীনা টেম্পরেরি রিলিফ কেম্পতা চৎতুনা কালিখোলা ভিলেজগী চেয়রমেনদা লুপা লাখ ৩গী শেলগী তেংবাঙ পীরম্বগা লোয়ননা থক্কবা ঈশিং, চেঙ, আলু, হৱাই, থাউ-থুম, কোল-লিকশিং অমসুং ব্লাঙ্কেটনচিংবসু টি এ এন্দ হিলস ট্রাইবেলসকী মায়কৈদগী পীরমখি।

এম এল এ দিঙ্গো খোঙ্গোয়নবা লেপ্পু হায়বা …

লামায় ১গী মখা… কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা লৈবা মমা অমা ওইনা নুপী অদু লৌশিনবা পামদ্রে। হৌখ্রবা ৱারীশিং ঐখোয় খঙদে, হৌজিক্তা এম এল এগী ইকায় খুম্নবা শোকপা ৱাফম ফোঙদোরকপসি য়ানিংদে।

নৌনা মচীন তুমখৎলক্লিবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী এম এল এ অমদা হেক্তা নমথনবা, হাৎতোক্লবা তৌরকপা অসিদি মীয়াম্না য়ারোই। মহাক নুপীনি, মাগী ইকায় খুম্নবা হেক শোকপগা মতমদুদা নুপাসিগী মতুং ইল্লকপা য়াদ্রা হায়নসু মহাক্লা হংখি।

পাখঙ অমগা লৈশাবী অমগা, কোইনবা নৎত্রগা নুংশিনরম্বা লৈরম্বা য়াই। নুংশিনরগদি চেনগদবনি, লৈগদবনি, লুহোংলগা লৈনরিবা ঙাক্তনি। এবোর্সন তৌরবা ফাওবদা করিগীদমক্তা মহাক্লা নুপাগী মতুং ইন্দনা লৈখিবনো। হৌজিক্তি মফম-মতম চাদনা ৱা ঙাঙলকপসি ঙাকপীনিংদে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

খোঙ্গোয়নদ্রিঙৈদা ৱারী শানরল্লগদি ফগনি, মদুনৎতনা এম এল এগী ইকায় খুম্নবা মাঙবা য়াবা মওংদা খুদম চাংদম কয়ামরুম লৈরে, লিগেল প্রোসেস চথগনি হায়রবসু এম এল এ অসিগীদমক মীয়াম্না থেংনগনি হায়রি।

অমরোমদা, অপূনবা খুরখুল নুপী চাউখৎ লূপকী সেক্রেটরি এন জি নুংশিতোম্বীনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৈখাম দিঙ্গোগী অপোকপা হৈখাম বোরাজাওনা এম এল এ ওইনা খঙহৌদনা লৈখিদবদগী অঙাং ওইরিবা মহাকপু মপাগী খোঙ্গুল লীদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌনবগীদমক মায়কৈ অসোমগী ইপা-ইপলশিং অমদি ইমা-ইবেন পুন্নমক্না শৌগৎতুনা মহাকপু শেমগৎচরকপনি।

মহাক্তি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ইচম-চম্না কনাগুম্বা অমগী মফমদসু অকায়বা তৌরুদনা চাওজরকপা অঙাংনি। মহাক্কী ইচম-চম্বা মতৌ অদুদা মীয়ামগী থৌগল তৌনিংবগী ৱাখল্লোন উরকপদগী মহাকপু মীয়াম্না শৌগৎলকখিবনি।

অসিগুম্বা তানফম অসিদা পাউচেদা সেকমাই এ সীগী এম এল এগী মথক্তা মরম চাদনা মরাল কয়া শীজিনবা ৱাফম ফোঙলকপা অসিদা নুংঙাইতবা ফাওই। হৈখাম দিঙ্গোনা মেলোরি নৎত্রগা কনাগুম্বা নুপী অমত্তা মীৎয়েং কারন চনখিবা, নৎতবা লিচৎ চৎতুনা নুপী খুন্নাইবু হন্থনা য়েংখিবা লৈতে। নহা ওইরিবা মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়দুনা থোকচরক্লিবা মীওই অমগী য়ুমদা খঙহৌদনা মীওই খরা লাক্লগা অরানবা ৱাফম কয়া হায়জিন্দুনা নম্ফুদা এম এল এগী ইকায় খুম্নবা মাঙনবা থবক তৌবীরম্বা অসি নুংঙাইতে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়রি।

পব্লিসিটি কেম্প্যেনদা এক্টর নেক্তনবা …

লামায় ১গী মখা… থবকশিং মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদা মরিক চুম্বা পাউ তমগদবনি। প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা গ্রামিনগী মতাংদা বেনিফিসরি খনবসি য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লগা খনগদবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী সেক্রেটরি সুমন সিংহনা হায়খি, মতম চানা ফন্দ কায়থরক্তবনা স্কিম অসি পায়খৎপদা অৱাবা মায়োক্লরি। স্কিম অসি মীয়াম কোনশিনবা চঙবনা ওফিসলশিংনা ফিল্ড ভিজিট চৎতুনা মরম চাবা বেনিফিসরি খন্দোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌ পুগদবা মী ৱাৎলি হায়না ওফিসলশিংনা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎশিংগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, দিপার্টমেন্ট অসিগী থৌ পুগদবা মীগী মশীং হেনগৎনবা হোৎনরগনি অমসুং ওফিসলশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা কোওপরেসন পীনবা, মতম চানা দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টশিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদা পায়খৎলিবা থবকশিংগী মরিক চুম্বা পাউ তমগদবনি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টরনা হায়খি, লাক্লিবা লোকেল বোদি ইলেক্সনদা দিপার্টমেন্ট অসিগী থৌ পুগদবা মী ৱাৎপনা মীখল ফজনা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা অপনবা খরা লৈগনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা নুমিৎ ১০০ নিগী প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা পোরোম্পাৎতা শাগৎলিবা জিল্লা পরিষদকী বিল্ডিং অসি জুন ২৪ ফাওবদা লোইশিনগনি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা দি আর দি এগী মতাংদা ষ্টাফশিংগী তোলোপ পীথোক্তবা য়াওনা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎশিং অদু তারবা তুংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, দি সীশিংনা মখোয়-মখোয়না থেংনরিবা অৱাবশিং অদু অইবা ওইনা আর দি এন্দ পি আরগী সেক্রেটরিদা পীশিনবীয়ু অমসুং মদুগী মতুংইন্না অহান-অকোন য়েংদুনা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনগনি। মথংগী মীফমদা মখোয়-মখোয়গী প্রোগ্রেস রিপোর্টশিং পুরগা লাক্কনবা মিনিষ্টরশিংনা ওফিসলশিংদা পাউতাক পীখি।

কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) :

মোঙজাং ভিলেজ ওথোরিটিগী ইমর্জেন্সি জেনরেল বোদি মীটিং অমা থা অসিগী ৩ দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মোঙজাং ভিলেজ এরিয়াদা থা অসিগী ২ দা শকখঙদবশিংনা বোম পোকখায়হনবগী থৌওং অদু কন্দেম তৌই হায়না ঐচ মোঙজাং ভিলেজ ওথোরিটিগী সেক্রেটরি লেটখোপাও হাওকিপনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। নেসনেল হায়ৱে পরিংদা ঐচ মোঙজাং ভিলেজদা থা অসিগী ২ দা বোম পোকখায়খিবা থৌদোক অদুদা অসাম রাইফলসগী জৱান অহুমলোম অশোক অপন নংখি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা থোকহনবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

‘নুপীবু ইকায় খুম্ন-বীদবা দিঙ্গোগী..

লামায় ১গী মখা… নমথাক তৌখিবগী চপ চাবা খুদম চাংদমশিং লৈ অমসুং মতাং চানা পুথোক্কনি।

দিঙ্গোদা মহাকপু মীখল মমাঙদা লৌশিনবীনবা হায়বদা মহাক্না লুহোংলবদি অফবা তানখৎলকপদু শক্ন খিগনি, ভোট লোইরগা লুহোংসি হায়না থেল্লকখিবনি। ৱাফম অসি দিঙ্গোগা মহাক্কা এদভেঞ্চর কেফেদা উনবদা ফোঙদোক্লম্বনি। মীখলদা মায় পাক্লবা তুংদা মহাক্লা ৱাফম অদু হৌদোক্লুবদা নখোয়না তৌনিংবা তৌজৌ হায়না অকন-অরিং শীংলকখিবনি হায়নসু মহাক্লা মরাল শীখি।

দেল্টা ফাউন্দেসন্না টোপ্পরশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) :

দেল্টা ফাউন্দেসন ক্লাকৈথেলনা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল দেল্টা ঐচ এস এল সীগী প্রিপরেটরি মোক টেষ্ট ২০১৭ কী এগজামিনেসনদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী হন্দক্তা বোসেমনা লৌবা এগজামিনেসনদা পোজিসন লৌরকখ্রবশিংবু ওকপগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ক্লাকৈথেল লৈমখুজম লৈকায়দা লৈবা দেল্টা ফাউন্দেসনগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাংখেমচা শ্যামজাই, প্রসিদেন্ট অমজুনা চীফ গেষ্ট, গুরুময়ুম বিনিতা প্রিন্সিপাল দেল্টা এদভান্স স্কুলনা প্রসিদেন্ট অমসুং খুমুজম ঈশ্বরদাস সেক্রেটরি দেল্টা ফাউন্দেসন্না গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

ঐচ এস এল সী ঈ ২০১৬ তা মরিশুবা পোজিসনদা য়াওরকপা মহৈরোয় অহুম য়াওনা ২২শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা য়াওরকখিবা মকোক থোংবা মহৈরোয় ১৪ দা খুদোলপোৎ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা গুরুময়ুম বিনিতানা হায়খি, চহী নৌরিবা অঙাংশিং ওইরবসু ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা পোজিসন লৌরকপশিংগীদমক্তা অখন্নবা থৌরম অমনি হায়না লৌজে। অঙাং শেম্বা পামজবদগী ফ্রীদা কোচিং ক্লাস কয়াসু পীজে। মসিগা লোয়ননা লাক্লিবা সমর ভেকেসনগী মতমদসু করি তৌসিগে হায়না খন্নরি। মহৈরোয়শিংনা কন্না হোৎনবা থকসি-খাসি অমদি মতম চানা তৌফম থোকপদু তৌনবা হোৎনবা চঙই। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা খুমুজম ঈশ্বরদাসনা হায়খি, মোক টেষ্ট পাঙথোকপদা য়াওখিবা মহৈরোয়শিংনা বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা পোজিসন লৌবা মহৈরোয় ১৪ য়াওরকপদা নুংঙাইবা ফাওই। মহৈরোয়শিংবু তুংদা হেন্না কন্না হোৎননবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

এন ঈ ষ্টেটশিংদা অহোঙবা লাক্লে …

লামায় ১গী মখা… হৌজিক্তি অখন্নবা মীৎয়েংশিং থল্লক্তুনা চাউখৎ থৌরাংদা খুমাং চাওশিনবা ঙল্লক্লে। ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লাকপগা লোয়ননা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা থবকশিং পায়খৎলক্লে। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী লমগী চয়েৎনবা লৈবনা থবক পায়খৎপা য়ারমদবা অদু হৌজিক্তি ৱারোইশিন পুরক্লে। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবগী উরেপ উয়ুং তম্বগী মতম লেপ্পবগী মতাংদা পুখৎলগনি।

বি জে পিদি ইমুং মনুংগী ওইবা পার্টি নত্তে। মীয়ামগী ওইবা পার্টিনি। নোর্থ ইষ্টকী চাউখৎ থৌরাংগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরসু লৈরে। দোনর এট দোর ষ্টেপ হায়বা ৱাখল্লোন অমসু পুথোক্তুনা চঙশিল্লক্লি। ষ্টেট ষ্টেটশিংদা দোনরগী কেম্প, সেক্তর, ওফিসশিং হাংদুনা মীৎয়েং চঙনবগী থবকসু পায়খৎলে। লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরবা ইমুংশিংদা লেম্না গ্যাস কন্নেক্সন পীবগী উজ্জৱালা স্কীমসু হৌদোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হায়খি, মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগীদমক সেন্তরদা হায়জরুবদা নিংথিনা তাবিরি। অনৌবা থবক থৌরাং কয়াগী মতাংদসু সেন্তরদা প্রোপোজেলশিং পীশিল্লগনি। লম্বী-থোং শেম্নবগীদমক লুপা ক্রোর ৫০০ গী প্রোপোজেল অমসু পীশিল্লগনি। হৌজিক জিরি লম্বীগী ফিভমসু ফরে। শাংলবা চহী কয়া অসিদা মণিপুর পুম্বগী ওইনা অফবা থক্কবা ঈশিং ফঙহল্লম্বশি অপুনবা মীশিংগী চাদা ৫০ য়ৌদে। থক্কবা ঈশিং মীয়ামদা নীংথিনা ফঙহন্নবগীদমক লুপা ক্রোর ২৩০০ গী দি পি আর অমসু শেমদুনা সেন্তরদা পীশিল্লগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগীদমক কখোল্লবা লাইপোক্কুম্বা লুচিংবনি। লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোনশিং অসি ঐখোয়না তুং ইনব তঙায়ফদে। লায়রবা ইমুং কয়াদা লেম্না গ্যাস কন্নেক্সন পীবগী উজ্জৱালা স্কীমসু হৌদোকখ্রে। মণিপুরদসু স্কীম অসি হৌদোক্লে। চীংগী লমশিংদা এল পি জি গ্যাস কন্নেক্সন নীংথিনা লৈরবা মতমদা উ-ৱা য়ানবগী চাং হন্থরক্কনি। শীংগীদমক উ য়ানবা কয়া অসি হন্থরক্লবদি উমং য়োকখৎপদা চাউনা কান্নরগনি।

বি জে পিগী ৱার্করশিংগা মিনিষ্টরশিংগা উন্নবদা খুদোং চানবগীদমক মিনিষ্টরশিং বি জে পি ওফিসতা রুটিন ওইনা উন্ননবগী প্রোগ্রাম শেম্লগনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ বি জে পি ওফিসতা লৈদুনা ৱার্করশিংগা ৱারী শানগনি। শগোলশেন নুমিৎতা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন, থাংজ নুমিৎতা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ান, ইরাই নুমিৎতা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যাম, নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারগা উন্নবা য়াগনি।

মিনিষ্টর অসিগা উন্নবগী নুমিৎশিং অসিদা মরী লৈনবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিংসু কোওর্দিনেট তৌবদা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভাবানন্দনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

কোন্থৌজম এ সীগী পর্মিট পায়রগা ময়াং ইম্ফালদা …

লামায় ১গী মখা… ট্রকশিং অদুগী শোশিং অমদি কঞ্জ্যুমর এফ্যের্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী সঙাইপ্রৌদা লৈবা গোদাউনগী ষ্টোর কীপ্পরনা পীবা চালান অদু ফাজিন্দুনা থমখি। খুদক্তা শিংজমৈ পুলিসকী এস দি পি ও অমদি ও সীনা লুচিংবা টিম অমসু মফম অদুদা চঙশিল্লকখি। নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তবদগী নুমিদাং পুং ১১ রোম তরবা ফাওবা গাড়ী অনী ফাজিন্দুনা থল্লিঙৈ চৈরক্তা খঙহৌদনা চেঙ পুরকপা ট্রক অনী অদু শো ফক্কায়রগা নারোনদা থৌখ্রে হায়রি। থৌদোক থোকফমদা লাকখিবা এম এল এ, কে রোবিন্দ্রোনা হায়খি, দিরেক্তোরেট ওফ কঞ্জ্যুমর এফ্যের্স এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী ওফিসলশিংনা চেঙ গোদাউনদগী চিংথোকহন্নবগীদমক পীবা চালানশিং নীংথিনা য়েংশিল্লবা মতুংদা পীবীয়ু। হৌজিক অসি এ সী খুদিংমক্কী অনৌবা নোমিনি লাকপনা হায়রিবা নোমিনিশিং অসিনা চেঙ চিংথোকপগী মরমদা য়াম্না কুপ্না খঙবা ৱাৎলি। ওফিসলশিংনা অশোয়বা য়াওরকপদগী ঙসিগী চমম্নবা অসি থোকহনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ADMISSION NOTICE
HUMAN RESOURCE DEVELOPMENT ACADEMY IMPHAL
Motto : Be Good Do Good
Celebrating 20 Years of Glorious
Academic Excellence in Imparting Education
HRD ACADEMY
GHARI, AIRPORT ROAD, IMPHAL
SINCE 1996
LANDMARKS :
89 POSITION HOLDERS IN 20 YEARS TIME
4027 - 1ST DIVISIONS
31 SUBJECT TOPPERS
3537 - QUALIFIED STUDENTS
2441 - 2ND DIVISIONS
11 - 3RD DIVISIONS
HRD ACADEMY'S ACADEMIC TRADITION IS NOW A CULTURE
BE A PART OF THIS TRAIL BLAZER INSTITUTION FOR SCIENCE EDUCATION
UNBEATABLE RECORD CREATOR : 100/100 MARKS IN MATH, CHE, PHY & COMPUTER Sc.
FACILITIES FOR POSITION HOLDERS & DESERVING STUDENTS
1st – 10th Position Holders of BSEM
FREE STUDENTSHIP WITH MONTHLY SCHOLARSHIP OF RS. 5000/-
11th – 25th Position Holders of BSEM
FREE STUDENTSHIP WITH MONTHLY SCHOLARSHIP OF RS. 3000/-
FOR 80% AND ABOVE STUDENTS — FREE TUITION FEE
FOR 60% AND ABOVE STUDENTS — DIRECT ADMISSION ON FIRST COME FIRST SERVED BASIS
FOR 45% - 59.9% ON SELECTION ON MARK BASIS
SEPARATE HOSTELS FOR BOYS & GIRLS WITH HOMELY ENVIRONMENT
ISSUE OF PROSPECTUS AND REGISTRATION FORM : 5TH JUNE, 2017 (8:00 AM ONWARDS)
DOCUMENTS REQUIRED
HSLC OR EQUIVALENT EXAM MARKSHEET (PROVISIONAL/INTERNET) WITH EXAMINATION ADMIT CARD
ADMISSION OFFICE HOUR: 8:00 AM TO 4:30 PM DAILY
COME & BE A PART OF HRDian CULTURE OF EXCELLENCE
Registration Form for Admission can be downloaded from our website at www.hrdacademy.co.in.
HL-P/1737/7

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ৭-০৬-২০১৭, য়ুমশকৈশা, ইঙাগী ১২নি পানবা, অয়ুক্কী পুং ৬.৪৫ দগী ১৩ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি কৌব্রু, অয়ুক্কী পুং ৬.৪৫ দগী চীংখৈ।

মেষ ঃ থবক অমা তৌবদা অনীরক হনবা লৈ। পৈশা চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ তুং মাঙ য়েক্লবা য়ামগনি।
হকচাং ঃ কোক মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

বৃষ ঃ ৱাখল লাংবা, অনিংবা থবক্তা ঙমজবা লৈ, মুক্লবা লৈ, লমদা চৎপা কান্নে।
লাল্লোল ঃ অরঙবা পোত্থোক্তা চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্নিং লাংতক্লবা লৈ।
হকচাং ঃ উনশা, অপোম অতং।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাঙবা।

মিথুন ঃ মুক্লবা, মীনা তাইওন্ননা খনবা, মখা থাবা মীগা শাওনবা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ইকাই নুংশি য়ান্নগনি।
হকচাং ঃ মীৎ, মৈগী অকিবা লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাঙবা।

কর্কট ঃ ইকায় নুংঙা য়ান্নগনি, শেল চৎপা হেনবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মীনা শকখঙবীবা, চাউখৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ তীন্নবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, চা-চন্দন।

সিংহ ঃ মুক্লবা, মীগা শাওনবা, অকাওবা পীবা মতাংনি। পুক্নিং ফাথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ অচা অথক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নীংবগা তৌথোরকপগা খেৎনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

কন্যাঃ ইমুং মনুংদা নুংঙাইজবা পাউ লাকপা, অশাওবনা অমাঙবা পীবা লৈ, খরা চেকশিনবীয়ু।
লাল্লোল ঃ য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্লবা লাক্কনি, খোইশাওনবা লৈ।
হকচাং ঃ ঙক, খৌরিদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

তুলাঃ নুংনাংবা, কান্নবা ৱাৎপা, শাওনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, লমদা চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মাঙবনা হেল্লি, ঈশিংগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ থাজনবা ৱাৎপা, অশাওবনা মাঙওইনৈ।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাঙবা।

বৃশ্চিক ঃ তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা শন মান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ মৈগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরকপা।
হকচাং ঃ শরু, শিংলিদা নুংঙাইতবা পীরি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অমুবা, থোইদিং অমুবা।

ধনু ঃ শাওনিংবা, করি তৌসিগে খনবা, পুক্নিং লাংবা, শেল চৎপা, ইমুংগী মৈশা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, হিদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্নিং চেৎশিন্নবা লৈ।
হকচাং ঃ ঈশিং মরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

মকর ঃ মীনা পাউথোকপা, অরাপ্পা লমদা চৎপা, খোইশাওনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ থবক্তা অহোঙবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চানৈ।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্নিং লাংবা, ইকাইবা নংগনি।
হকচাং ঃ মচেক ময়া পানবগী শহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

কুম্ভ ঃ ইচিল ইনাওদগী মুক্লবা পীরকপা, অকি অখঙ লৈবা, অরাপ্পদগী নুংঙাইবা পাউ লৈ।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক থৌরমদা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীৱা, মৈশা অয়েৎপা লৈ।
হকচাং ঃ উনশা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ নাপু, ঘী।

মিন ঃ চাউখৎপা ওইগনি। য়েক্লবনা য়ামগনি, তৌজরুবা থবক্তা মীনা ইকাইখুম্নবীবা লৈ।
লাল্লোল ঃ অরু অনান, সনাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ থীক নেম্বনা থা লাম্বা থোক্কনি।
হকচাং ঃ ঙক, খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।